# কাপোসি সরকোমা (কেএস)

***KS* হায়বা অসি করিনো?**

Kaposi's sarcoma (KS) হায়বা অসি কেন্সরগুম্বা লায়না মখল অমনি। মসি ইষ্টন য়ুরোপিয়ান নৎত্রগা মেডিটেরিয়ানদগী ওইবা অহল ওইরবা নুপাশিংদা নাগল্লি। KS অসি আফ্রিকাগী নুপাশিং অমসুং হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল শোম্থরবা মীওইশিংদসু তৌগল্লি। মসি খ্বাইদগী হেন্না থোকহল্লিবা অসি HIV ইনফেক্সননি। KS না নারকপা অসি AIDS কি খুদম অমনি।

KS অসি অনম্বনা উনশাদা নৎত্রগা য়ানুং, নাতোন নৎত্রগা মীৎ কুপ্লিবা কুরাংবানশিংদা তৌগল্লি। মসিনা থবোম্বী, লিভর, চাকখাউ, থিরিন অমসুং লিম্ফ নোদশিংদা শোকহল্লকই। KS না অনৌবা ঈ উতোং মচা কয়া শেমগৎহল্লি। মসিবু এনজিওজিনেসিস হায়না কৌই। KS অসি Human Herpes Virus 8 (HHV-8) হায়না খঙনবা হর্পিস ভাইরস মখল অমনা থোকহনবনি। HHV-8 য়াওরবা নুপাশিংনা ভাইরস অসি য়াওদবা নুপাশিংদগী KS নাবগী চাং শরুক ১২ রোম হেল্লি হায়না ইকুই কুইদ্রিবা থিজিন ৱারোল অমনা হায়রি।

এন্টি-ঐচআইভি হীদাক চাবদা এইডসনা শোকহল্লবা মীওইগী চাদা ২০ KS না শোকহল্লি। য়াম্না কনবা এন্টিরেট্রোভাইরেল হীদাকশিং থোল্লকপদগী KS না নাবগী চাং অসি চাদা ৮০ দগী হেন্না হন্থখ্রে। অদুবু ঐচআইভি লাকশিন্দুনা থম্বা ঙম্লবা মীওইশিংদা KS না নারকপগী অনৌবা কেস ইং ২০০৭ দা বৈজ্ঞানিকশিংনা পাউদমখ্রে। হায়রিবা অনৌবা কেসশিং অসি য়াম্না লুদে অমসুং পুন্সি মাঙনীংঙাই ওইদে।

KS হায়বা লায়না অসি নুপাশিংদনা নম্না নাবা লায়নানি: নুপী অমা লায়না অসিনা নাবা খুদিংগী নুপা ৮দি য়ামদ্রবদা নাই। হায়রিবা লায়না অসি এইডসনা শোকহল্লকপগী য়াম্না লায়না উখোরকপা খুদমশিংগী মরক্তা অমনি। মসি অঙৌবা উনশাদা ঙাঙলৈনবা নৎত্রগা নাপু মচু চঙবা মপাক ওইনা উখোল্লকই। মুরৈনবা মীওইশিংদনা ৱাওথাংনবা নৎত্রগা অমুবা মপাক ওইনা লৈ। অপোম্বশিং অসি মায়, খুদাং অমসুং খোঙদা ওইনা তৌগল্লি।

উনশাদা তৌবা KS লায়না অসি পুন্সি মাঙনিংঙাই ওইদে। খোঙপাক অমসুং খোঙগী শরুকশিংদা তৌবা লেসনশিং অসিনা চৎপদা নুংঙাইহন্দে। করিগুম্বা KS না হকচাংগী অতোপ্পা শরুকশিংদা শন্দোকখ্রবদি য়াম্না খুদোং থীনিংঙাই ওই। য়ানুংগী কুরাংবান্দা তৌরবদি চাবা থকপদা নুংঙাইতে। চাকখাউ নৎত্রগা থিরিনদা তৌরগনা মনুংদগী ঈ থোকপা নৎত্রগা থিরিন ফুনগল্লি। করিগুম্বা KS না লিম্ফ নোডশিংল্লোক তৌহল্লবদি শেগ্রাক, খোঙ, খুৎ, মায় অমসুং অথিবমদা পোমগল্লি। খ্বাইদগী শাথিবা মওংনা লিভরদা তৌবা অসিনি। মসিদা লোক কা হেন্না খুবা, সোর তৎপা নৎত্রগা পুন্সি মাঙনীংঙাই ওইবা মওংদা লঙ্কসতা মহী লৈহল্লি।

KS লায়না অসি উনশাদা পকপা অদুনা অদুম খঙবা ঙম্মী। মখোয় অসি ইপাক পাকই, অনাবা ফাওদে, হাকৎচদে অমসুং মহী তাদে। মখোয় অসি খাম্নদৌনা লৈ। হকচাং পোকথোকপগী খাম্বদি মফম অদুদা নম্বা মতমদা মাগী মচু অদু মাঙখি অদুবু KS না তৌহনবা খাম্বা অদুদি নম্বদা মচু মাঙদে। KS না থোকহনবা অপোম্বশিং অসি তংঙগা মপাক ওইনা লৈ অমসুং চাউখৎলকই। হায়রিবা মপাক অসি বাইওপসি তৌরগা KS না নারব্রা হায়না খঙদোকপা য়াই।

***KS* করম্না লায়েংগদগে?**

অকনবা এআরটি থাবনা KS লায়নাগী খ্বাইদগী ফবা লায়েংনি। মীওই অয়াম্বদা এআরটি থাবনা উনশাগী লায়নাশিং অমসুং মখোয়না চাউখৎলকপা অসি লেপহনবা ঙম্মী। KS না থোকহনবা উনশা অমসু হকচাংগী অতে শরুকশিংদা তৌবা লায়নাশিং অসিগীদমক এআরটিগী মথক্তা অতোপ্পা লায়েং পথাপ কয়ামরুম লৈ।

করিগুম্বা উনশাদা অশোকপা য়াম্না লৈত্রবদি KS লায়না অসি লায়েংদ্রবসু য়াই। উনশাদা লৈবা অনাবশিং অসি মখাগী পান্থৈশিং অসিনা লায়েংবা য়াগনি

১) লিকুইড নাইট্রোজেন শিজিন্নদুনা ফমজিলহনবা

২) রেডিয়েসন কাপ্পুনা লায়েংবা

৩) থাং থাদুনা লৌথোকপা

৪) এন্টি কেন্সর হীদাকশিং নৎত্রগা ইন্টরফিরোন অলফা কাপ্পা

৫) পানরেটিন জেল (রেটিনোইক এসিড) কাপ্পা মথক্তা পীরিবশিং অসি উনশাগী খক্তনি। KS কি ওইনা চৎনগদবা লায়েং পথাপ নত্তে। লায়েংবা মতুংদা হায়রিবা উনশাগী লায়নাশিং অসি অমুক হৌরকপা য়াই।

করিগুম্বা KS লায়না অসি হকচাং মনুংগী কয়াৎশিংদা শন্দোকখ্রবদি, সিষ্টেমিক হায়বদি হকচাং পুম্বগী ওইবা লায়েং পথাপ চঙ্খগদবনি। এআরটিনা লাকশিনবা ঙমদ্রবদি doxorubicin (Doxil), daunorubicin (DaunoXome) নৎত্রগা paclitaxel (Taxol) হায়রিবা হীদাকশিং অসি হাপচিনবা য়াই।

Doxil অমসুং DaunoXome অনি অসি 'লিপোসোম'গী মওংদা লৈবা এন্টি-কেন্সর হীদাকশিংনি। লিপোসোমগী মওং হায়বা অসি হীদাক অদুগী অপিকপা শরুকশিং অদু অপিকপা ফেটকি ববলশিংগী মনুংদা য়োমশিনবনি।

# কাপোসি সরকোমা (কেএস)



হায়রিবা মওং অসিদা থন্বনা হীদাকশিং অসি কুইনা চৎলি অমসুং হীদাক অদুগী দরকার লৈবা মফমশিংদা য়ৌবা ওইনা ওই। অতোপ্পা হীদাক শিজিন্নবদগী থোরকপা সাইড ইফেক্টশিং অসি হায়রিবা লিপোসোমগী মওংদা শেন্বা হীদাকশিং অসিনা হন্থহল্লি।

***KS* অসি ঙাকথোকপা য়াব্রা?**

HHV-8 অসি করম্না শন্দোরকপগে হায়বা অসি মফম খঙদ্রি। মসি হকতিন্নবা অমসুং য়াম্না হকচিন্না চুপ্পবদগী শন্দোরকপা য়াই। অতোপ্পা ওপোরচুনিষ্টিক ইনফেক্সনশিংদৌনা হায়রিবা HHV-8 না তৌহনবা ইনফেক্সনশিং অসি হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল কনবনা ঙাকথোকচবা য়াই। অকনবা এন্টি–ঐচআইভি হীদাকশিং শিজিন্নদুনা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গল কনখৎহনবনা KS লায়না ঙাকথোকপগী খ্বাইদগী অফবা পান্থেনি।

***KS* লায়নাগী মতাংদা অতোপ্পা থিজিনবশিং?**

অতোপ্পা এন্টি–সাইটোকাইন শিজিন্নবা পান্থেশিং: সাইটোকাইন হায়রিবা হকচাংগী ঙাকথোকচনবগী পাঙ্গলনা শিজিন্নরিবা প্রোটিনশিং অসিনা সেলশিংবু চাউখৎহল্লি। হায়রিবা প্রোটিনশিং অসি তপথহনবা ঙম্বা পোৎশকশিং অদুনা KS লায়না অসিবুসু তপথহনবা ঙম্মী।

Monoclonal antibodies: হায়রিবা হীদাকশিং অসি জিনেটিক ইঞ্জিনিয়ারিংগী মতেংনা পুথোকপনি। মরম অদুনা মখোয়গী মমিংশিং অসি 'mab' না লোই। খুদম ওইনা bevacizumab হায়বা হীদাক মমিংশিং অসিনি।

অতোপ্পা হীদাকশিং :

অনৌবা ঈ উতোংশিং শেন্বা (angiogenesis) থিন্থহনবা হীদাক মখল কয়া হৌজিক বিজ্ঞানিকশিংনা থিজিল্লি।

অরোয়বা ৱারোল :

KS হায়রিবা লায়না অসি এআরটি হীদাক শিজিন্নদ্রিবা এইডসনা শোকহল্লবা মীওইশিংগী চাদা ২০ মুক্তা নাহল্লি। মসি থোকহনবদা HHV-8 হায়বা হর্পিস কৌবা ভাইরস অমসু য়াওই।

অকনবা এন্টি রেট্রোভাইরেল হীদাকশিং শিজিন্নবনা KS লায়নাগী খ্বাইদগী অহানবা লায়েংনি। লায়না অসিনা উনশাদা শোকহনবা অসি মখল কয়াগী হীদাকশিংনা লায়েংবা ঙম্মী অমসুং খুদোংথীনিংঙাই ওইদে। অদুবু হকচাং মনুংগী কয়াৎশিং শোকখ্রবদি পুন্সি মাঙনীংঙাই ওই। মসিগুম্বা হকচাং মনুং শোকহনবা KS লায়না অসি এন্টি–কেন্সর হীদাকশিংনা লায়েংবা ঙমহল্লি।

করিগুম্বা অদোমগী উনশাদা অনৌবা দাকফম লৈরবদি, অদোম KS না নারব্রা হায়না অদোমবু লায়েংবীরিবা মীওই অদুদা য়েংহনবীয়ু।

***Reviewed November 9, 2010***